# ‘নুপী’ মীতৈ নুপী

**খঙদোকমিন্নসি অমুক্তং : ৪১২**

**হাওবম প্রিয়োকুমার**

**মীওইবা** মপোক্তা নুপী হায়বসি অদুক্কী মতিক মরু ওইরি। মদুমক্না মালেমদা লৈরিবা লৈপাক অমা অনী নত্তনা মাগী মাগী মরমদম্বু ইমা লৈপাক হায়না মিঙ্গৌনরি, নুপীবু অৰাংবা থাক্তা পুখৎতুনা ইকায় খুম্নরি। মখোয়গী ফিজেৎ-চাকচানা লম লমদুবু মশক তাক্লি। নুপাগী ফিজেৎ-চাকচা অমত্তনসু মরমদম্বু মশক তাকপা ঙমদে, ইন্দিয়াগী মফম খরখক নত্তনা। ফজবা অমত্তং থারকপদা, অকে-অমৌগী অমত্তং পল্লকপদা, ফিজেৎ-লৈতেংগী মতাংদনি খঙদে খুদিংমক নুপীখক্তদা মীৎয়েং থম্নরি, নুপীখক্তগী ওইরি। ফজবা লৈ অমগা প্রমান তৌরকপদা নুপাগা খক তৌনদ্রি, নুপীখক্তগা তৌনরি।

মীওইবা অমগী খ্বাইদগী মরুওইরিবা, অনীশুবা পুন্সিনিসু হায়নরিবা লুহোংবগী থৌরমদা য়াম্লবা মীয়ামদুবু যত্রা-পুবী হায়দুনা পূম্নমক্কী মাঙ থাদুনা নুপীনা লমজিংদুনা চৎলি। মমাঙঙৈগী মতমদা খুন্নাইদুনা নুপীবু নমথদুনা থল্লিঙৈগী মতমদা কুমথদুনা য়েংলুবদা মতমদুগী নুপী অয়াম্বা চহী ১৪/১৫দা ময়ূম-মকে পান্নরম্মী, অদুনা লাইরিক তম্বগী ৰাখলদগী লাপ্না লৈনবনা অয়াম্বনি। লোয়ননা নুপীনা লাইরিক তম্বা মাংই হায়দুনা তমহন্নরমদে। তম্বা তারবসু ময়ূম হল্লকপদা শেৎলু-চারুবা মফি-মরোল হোংদোকহল্লগা চঙহন্নরম্মী হায়। অদুনা লাইরিক্কী মঙাল থেংনা ফংই। কুমজা ১৯৩৮দা অহানবা মেত্রিক পাস তৌবী নুপীশিং পুথোকখি। অমরোমদা, মতমদু মপান থোক্তনবা, ইমুংগী থবক ইনখাং শু-নোমদুনা লৈবী নুপীবু ফিদম্নফম ওইবী অফবী নুপী অমা ওইনা শিংথানরম্মী। মদুমক্না মখোয়বু মতমদুগী খুন্নাইনা ফাজিন-পূনশিন্দুনা, নমথবীদুনা থম্বা হায়বদু ওইখি। শম্না হায়রবদা খুন্নাইদুদা মখোয়গী প্লেটফোর্ম লৈরমদে। অদুবু হায়রিবা ময়ামসিনা য়োমদুনা লৈরিবা মতমদনি, মালেমদা নুমিৎ তাবা লৈতে হায়রিবা খূৎকন-পাঙ্গল্লবা বৃটিশকী মথক্তা মখোয়না কুমজা ১৯০৪গী ওক্টোবর থাদা মীতৈ নুপাশিংগীদমক লানগা পাংখক ওইরবা চাউরবা খোঙজং-ঈহৌ চঙশিনখি। মসিনসু লোইবা নৎত্রি কুমজা ১৯৩৯গী দিসেম্বর ১২দসু মখোয়না খুন্নাইগীদমক, মীয়ামগীদমক হায়রিবা বৃটিশকী মথক্তা লান্দগীসু হেন্না কনবা নোংমৈ, শঙ্গিন মরক্তা মখোয়গী থম্মোয়গী মৈরীদগী থোক্লকপা ঈরক্তগা লান্থেংনখি। অঙকপা মীতৈ নুপীগী মথৌনা, মরিংজেলনি, মালেমগী অতৈ নুপীশিংনা কৈদৌনুংদসু মতুং ইনবা ঙম্লোই। মদুমক্না অনীশুবা নুপী লান হায়দুনা ষ্টেটকী থাক্তা চাউনা থৌরম পাঙথোক্লি। অহানবা নুপী লানবুসু লৈঙাক্না মফম অমদি থম্বীফম থোক্লবনি।

খুন্নাইসিগী নুপাশিং মপূং ওইনা নহারোলশিংবু ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তগী লাপ্না লৈহন্নবগী পান্দমদা, মখোয়বু কন্নবা ‘নেশা বন্দ’ হায়না মিংথোন্দুনা খুন্নাইসিগী মফম-মফমদা লিংখৎতুনা চাউরবা থৌদাং লৌদুনা লাকখি। খুন্নাইসিগী লো এন্দ ওর্দর ফৎচিল্লক্তবদগী কায়নথংদা নেশা বন্দবু ‘মৈরা পায়বী’ হায়না নৌনা মিংথোন্দুনা অহিং মিংশেল খাংদুনা মখোয় মখোয়না কোল্লিবা লমদম্বু ঙাক শেন্দুনা লাক্লি। অসিগুম্বা মীতৈ নুপীনা লৌরিবা থৌদাং অসিবু করম্বা মালেমগী মফমদা লৈরমগদগে?

অমুকসু, খ্বাংদা খ্বাংচেৎ লাং, কোক্তা লূকমাই হাপ, খূৎতা খাউজাউ য়ান মাগী মাগী কৈথেলদা অফং-অফংবা য়োল্লগা তরেৎকী শেঞ্জা তান্দুনা ইমুং পুনবা অমদি মচা-মশুশিংবু মী ওইনবা হোৎনরি, শেন্লি। অদুগা নাকল অমরোমদনা, নুপীলক্তগী খরনা মচা-মশুশিংবু অফবা লম্বীদা লমজিংবীদুনা অফবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা শীজিন্নগদবা মখূত্তুনা য়ু গ্লাস, খৈনি কৌতা, ক্বা-জর্দানচিংবা অমদি জ্বারগী চে, লুদোনচিংবা পায়দুনা মতম্বু মেৎ-মেত্তুনা শান্নদুনা লৈখ্রবদা করম্বা মচা-মশুশিংবু তুংগী অচঙবা যূম্বী ওইহনবা ঙমগদৌরি? করম্বা খুন্নাইনা মাঙজিল থানা চৎপা ঙমগনি? অমনা নুপী ওইবী কয়ানা মোবাইল ফোনবু অরানবা লম্বীদা শীজিন্নদুনা খুন্নাইসিবু মচু থোক্ত্রবা মচুনা হেক হেক তৈশিন্দুনা মশক নায়হন্দবা য়াওরক্তবা নত্তে। হায়রিবশিং অসিবু তোক্লবা, তৌদনবা লাই লাক্তুনা হায়জরবসু থাদোকপদি খক ওইথোক্লোই। মশা মশানা তোল্লগে, তৌররোই হায়না চপ চানা চপ য়ুংনা লেপ্পলবা মতমদতা পূম্নমক থাদোকপা ঙমগদৌরিবনি। অদুনা মরী লৈনরিবা নুপীশিংনা ইচা-ইশুগী তুংগী লম্বী য়েংবীদুনা অমদি খুন্নাইসিবু চুম্না লেপচবা ঙম্ননবা তিন য়োথরগা খন্থবগী মতম ওইদ্রিবরা?

ইন্দিয়াগী নুপীশিংনা অচুম্বা লম্বীদা মানা মানা ঙম্বা থাক্তা শেন্দাল লম্বীদা খোঙদানরি। অদুবু মীশিং য়ামখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপীলক্তা মীতৈ নুপীনা শেন্দাল লম্বীদা মায়পাকপগী লিষ্টতা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি। ইন্দিয়াগী নুপী পূম্বনা তমজনীংঙাইনি। হৌজিক্কী খুন্নাইসিদা মীতৈ নুপীশিংগী থাক্তা য়াম্না অহোংবা লাক্লি। মমাঙদদি লৈশাবী অমনা মথন্তা খক চথোক্লরমদে। সেমিনা হোলদা সেনিমার য়েংবা তারবসু মবুং-মৌপ্বা অমা য়াওদনা য়েংনরমদে। মমান্নবীগী লুহোংবগী চেবাউ পীনবদা মমাগা লাকমিন্ননবা মমাগীসু য়াওনা চেবাউ পীনরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি করিগুম্বা মতমদা মফম খরদদি নুমিদাংদফাওবা মথন্তা চৎপা ঙম্নরে। মখোয়দা অকি-তুজুংবদগী লাপথোক্লরক্লি। খুদিংমক মতম্না পুরকপা ঙাক্তনি। নুপীশিংনা লৈবদা অকি-তুজুং য়াওদনা খুদোংথিনিংঙাই ওইদনা লৈবা মফমশিংগী মনুংদা জেন্দর বলনারবিলিটি ইন্দেক্স (জি ভি আই) গী মতুং ইন্না ইন্দিয়াদা মণিপুরনা মঙাশুবা মফমদা লৈরি। অদুগা মণিপুরগী নুপী লাইরিক হৈবগী চাংসু অপূনবা মণিপুরগী মীশিংগী চাদা ৬৬ ওইরি। য়েংলু য়েংলুবদা মালেমগী নুপীশিংনা তমজনফম ওইরবা মীতৈ নুপীনি। অদুবু হেক নাওপুরকপদা নুপীনি খঙলবদি মাঙহনখিনবা হোৎনবা য়াওরি, মাঙহনখিবসু কোঙ্গায়নি। মপূং ওইনা মসিদা চাউনা মীৎয়েং থল্লিবসু নুপীশিংনা ওইরি। অদুদি কদায়দনো মীতৈ নুপীগী খোঙদাফম্না? মসি নত্তবদা পোক্লিবা অঙাংদুনা নুপী ওইরবদি মাগী তরুক্লি ঈপান থাবদা মমিংগী ওইনা পাঙথোকপা অদুগা অঙাংদুনা নুপা ওইরগনা খূৎচাউ থাদুনা হেক পাঙথোকপগী চৎনবী হৌজিক ফাওবা খুন্নাইসিদা পকশিন্দুনা অদুম্মক লৈরি। ৰাখল খন্থবগী মতম ওইদ্রিবরা?

লুহোংবা হায়বসিমক্তবু অফবা তানখৎলকপনি, অদুনা লুহোংবগী যত্রা-পুবী হায়বসিসু মশাদা অমকপা (শিক্ত্র) লৈত্রবী নুপীখক্তনা পুদুনা লাক্লি। সনাহনবী হায়না শীংনরগা লুহোংখি। শাগৈদা য়েংলে সনানি, শক্তা-চুদা, শবান্দা-মুর্ত্তিদা, খম থেংনা চঙখোনবীনি, লমচৎ-শাজত্তা য়েংলে তমজনীংঙাইনি। শেত্তোক-চাথোক্লকপদসু লৈকায়দুদা মাগী মমাঙদা লেপ্পীনবা কনাগুম্বী অমত্তা লৈতে। মহাক্কী নুপা লৈঙাক্কী থবক তৌরি, মশামকসু লৈঙাক্কী থবক তৌবীনি। অসুক য়াম্না ফরবসু করিগুম্বা অহানবা ফঙজবা মচাদু নুপী ওইরবদি যত্রা-পুবীগী থৌদাংদগী লাপথোক্লে। অদুবু সনাহনবীদি মচা অনীমক নুপা ঙাক্তনি। অদুনা কুম খুদিংগী লুহোং-পন্থাদদি যত্রা পুবীনবগী ক্যদা লেংদুনা লৈরিবনি। অদুবু, অদুগুম্লবী সনাহনবীনা মচানুপাগী লুহোংবগী যত্রা পুহন্নবা মমানা হোৎনজরবসু মদুদা অয়েৎপা পীদুনা থিংগদবা মপা লৈগনি। মপাদুনা শোয়দনা হায়রক্কনি, সনাহনবী, মমিত্তা ‘মচানুপী’ উবা ফংদ্রি। মচানুপী য়াওদবা মাবু করম্না অমকপা (শিক্ত্র) লৈতে হায়গদৌরিবনো? করিগীনো নুপীনা নুপীবু মতিক-ময়াই লৈহন্দ্রিবা, ইকায়খুম্নবিদ্রিবা? ইশানা ইশাবু মশক খঙজবগী মতম ওইদ্রিবরা?

# কুমজা ১৯৩৯গী নুপীলাল

## শেঞ্জাউ পায়বশিংগী মীহাৎপা নীতিনা লায়রবা লাক্ষ-লাক্ষ চরা হেলহনবা

**- সোটিনকুমার -**

**বৃটিশ** সম্রাজ্যবাদিনা নিংথৌবু শীজিন্নরগা মীয়াম্বু মীনাই ওইনা ওৎ নৈদুনা পানবা ফিউদিয়েল সমাজগী চপ চাবা লোনচৎ চৎপা মতমনি। নিংথৌনা শক্তি পূম্নমক শুপ্পাই পায়শিন্দুনা মী হাৎপগী শক্তি ফাওবা লৈরিবনি। রতন, ব্রহ্মসভা, নিংথৌ হায়দুনা লাইনীংগী মীংদা ওৎ নৈবগী থাক কয়া লৈরম্মী। অমাং অশেং হায়বা অমা কন্না চৎনরম্মী। মী অমবু মাংলবা মীনি হায়দুনা সমাজগী থাক্তা মীয়ামগা তিন্না তোৎনবা য়াদবগী হুকুম তৌরম্মী। অদুবু মাংলিবা মী অদুনা শেল পীরগদি শেংদোকপা ঙম্লম্মী। অসুম্না অমাং অশেংনা মী ওৎনবা খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরম্মী। রতন হায়বা ফম্নাইবা অসিনা মাংহল্লগনা লুপা ৫০ পীরগা কোকপা য়াবা, ব্রহ্ম-সভানা মাংহনবগী হুকুম কোক্লবনা লুপা ৮৫ পাই ১৩ অদুগা নিংথৌনা মাংহনবগী হুকুম কোকহনবনা লুপা ৫০০না য়াগনি হায়দুনা রেট অমা চপ চানা কক্তুনা থম্লম্মী। মণিপুরদা লৈবা তম্পাক্কী মীতৈ মখৈ গৌড়িয়া বৈষ্ণব লাইনীং চত্তবা য়ারমদে। লাইনীংসি লৌবগা লোয়ননা চন্দন থিনগদবনি, মদুগীদমক চন্দন শেনখাই হায়দুনা পাঁচ অনা মতমদুগী পৈশা মরিনা শাবা অনা মঙা পীগদবনি। মসি পীদ্রগনা মাংই হায়দুনা ইন্থোক্কনি। মতমদুগী নিংথৌ লৈঙাক অদুনা চীংগী মীয়ামবু অমাংবা কাঙবুনি হায়না ইন্থোক্তুনা থনম্মী। তম্পাক্কী মীওইশিংগী মরক্তা তোঙান তোঙানবা থাক খাইদোক্তুনা নিংথেমচা নত্তবশিংদি ননাই অরানবা মচা হায়না য়াম্না নোঞ্জহন্না থম্বা মতমনি।

নিংথৌ লৈঙাক্কী মীওৎ মীনৈ অদুনা লৈঙাক্কী খাজনা লৌবা লাকপা অমসুং অচৌবা কুল্লকপদা মী অদুগী চাকথাক পীগদবনি। মদুবু পীয়ন চাকথাক হায়না খঙনৈ। ফম্নাইবদুবু দোলাইদা হাপ্তুনা খূৎথাং য়ৈদুনা থিনগনি, পোৎথাং বেগার পুহনগনি, দোলাইরেং ওইহনগনি, খাজনা খোম্লগা লৈবা মফমদা খুলনা শংগনি, মদুবু য়ারেক সন্ত্রি কৌই। থোং অমা লানবদা শেনখাই লৌগনি, ইথোলদা হৌজবা উ অমতং য়ানবদা, তেরো হেকপদা, খুদেং পুবদা মাশুন লৌগনি। লৌমীনা মশাগী লৌবুক্তা ঙা ফাবা য়ারোই, লৌখোং মচা শিংপা য়ারোই। মরমদি জল সম্পন্ধী কৌবা আইন অমা লৈ মদুদি নোংজুথাদা পাৎকী ঈশিংগা লৌবুক্কা শম্নৈ অদুনা ঙা চেনশিনখি হায়বসিনি। অসুম্না মীয়ামদগী খাজনা মখল কয়া লৌদুনা ওৎ-নৈবা অসিদা মীয়াম্না নিংথৌগী মায়োক্তা শাওবা হেঙ্গৎনরকখি।

**ফিউদিয়েলিজমগী মায়োক্তা ইরাবত :** অশিবা পোৎলোইনবা হায়দুনা থৌরাং তৌরিঙৈদা নিংথৌগী হুকুম অমনা পোৎলোইবা য়ারোই মাংলে হায়রকপদা ফুমজিন্নবনা কোঙ্গাই অমা, শোরাৎ শোনবা য়াদবা কোঙ্গাই অমা অসুম্না কপ্ন-লাউনবগী মখোলনা মণিপুরগী কাচিন-কোয়া নিল্লম্মী। মতমদুদা মীয়াম্বু তমথিনা ওৎ নৈবা কয়াসিগী মায়োক্তা থেংনবিনবা মীয়ামগী লুচিংবা কনা লৈবগে থিনরকপদা জননেতা ইরাবতনা থৌনা লৈনা চোংথোরকখি। পেন্দ্রবা মীওই কয়ানা নিংথৌগী শুপ্নম লৈঙাক অসি শিংননীংবগী ৰাখল পাক শন্না ফাওরকখি। জননেতা ইরাবতনা মীয়াম্বু ওৎ নৈরিবা কয়াসিগী মায়োক্তা মথং মথং থেংনবা হৌরকখি। ইরাবতনা অসিগুম্বা অওৎ অনৈ কয়া অসি থেংননবগীদমক মণিপুর সেবা কম্মিটি শেমদুনা মাংই হায়না ইন্থোক্লকপা মীগী ফুল্লিবা মশা হন্দোক্তুনা পোৎলোইবা, পালা শেমগৎতুনা মশানা ঈশৈ হন্দুনা কোর্তান পায়রগা শোরাৎ শোনবা হৌরক্লে। ব্রহ্ম সভা, রতন, নিংথৌ, পীয়ন পনবদা কিবনা নিকচরবা মীওইশিংগীদমক লালহৌ লুচিংবা নুপা অমা ওইনা ইরাবত থোরক্লে। ইরাবতনা প্রজা মন্দল কৌবা লূপ অমা লিংখৎতুনা নিংথৌ পানবা সমাজগী অওৎ অনৈগী মায়োক্তা লেপ্তুনা থেংনরক্লে। ইরাবতনা শেন্লিবা পার্টি কয়া অসি মুখৎপা য়ানবা মহারাজ চুড়াচান্দনা য়াম্না হৈশিংনা মশানা প্রসিদেন্ট ওইদুনা - ‘নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা’ হায়বা অমা লিংখৎতুনা ইরাবতপু ভাইস প্রসিদেন্ট হাপ্লে। মহারাজ চুড়াচান্দগী তশেংলবা পোলিসিদি মাগী মখাদা লৈবা পার্টি অমদা য়াওহল্লগা ইরাবতকী লালহৌ নমথগে তৌবা থৌরাংনি। ইরাবতনা থৌরাং অসিবু চপ চানা খঙখি।

**কুমজা ১৯৩৮- চীংঙা কনফরেন্স :** কুমজা ১৯৩৮গী দিসেম্বর ২৯ অমদি ৩০দা নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভাগী ৪শুবা কনফরেন্স চীংঙাদা ফমখি। মীফম অদুদা হিন্দু হায়বা ৰাহৈ অসি লৌথোক্তুনা নিখিল মণিপুরী মহাসভা হায়না মীং থোনখ্রে। চীংঙা কনফরেন্স মণিপুর পুৰারীদা চাউরবা অওনবগী খোঙথাং অমনি। পোলিটিক্সকী ৰাখল লৈত্রিবা লমদম অসিদা ইরাবতকী লমজিং মখাদা মণিপুরদগী বৃটিশ চৎখিনবা লোইননা পুর্নদায়ত্ব শিল লৈঙাক লিংনবা ৰারেপ লৌদুনা দাবী তকশিনখি। সাবালক ভোটনা মীয়ামগী মীহুৎ খনগদবনি, লাঙ্গোল পায়বনা লৌগী মপূ ওইগদবনি, কৃষক মজুদর রাজকায়ম লৌমী শিন্মীনা লৈঙাক পায়গদবনি হায়বা খোল্লাউ লাউখি। মহাক্কী ভাসন্দা দরবার মুখৎকদবনি, মীয়াম্না ভোটতা খল্লগা লৈঙাক তৌগদবনি, পঞ্চায়ট রাজ লিংগদবনি হায়খি। অদুগা লোয়ননা লাইনীংগী নমাদা শেনখায় কয়া খায়রিবা, পালা লোইশঙ, শেন্তেক, চন্দোল শেনখাই পাঁচ অনা, দোলাইরেং, পোৎথাং বেগার, পিয়ন অমিনগী চাকথাক, জল সম্বন্ধিগী আইন, মশুলনচিংবগী মায়োক্তা ৰারেপ লৌখি।

চীংঙা কনফরেন্স অসিদা তাখিবা ৰারেপ পূম্নমক ষ্টেট দরবারদা দাবী ওইনা থাজিনখ্রে। লৈঙাক্না দাবী পীনবা খন্নবগী মহুত্তা ‘নিখিল মণিপুরী মহাসভা’ অসি পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইরে হায়না ৰারেপ লৌরে। পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইরবনিনা ষ্টেট লৈঙাক্কী কর্ম্মচারি অমত্তা সভাসিদা য়াওবা য়ারোই হায়না অথিংবা থমখ্রে। সভাদা য়াওরম্বা পূম্নমক রিজাইন তৌনবা হুকুম থোক্লে। লৈঙাক্কী ৰারেপ অসি হেক ফংবগা ইরাবত পঞ্চায়টকী মেম্বর ফমদগী মশানা তোকখি। ফম থাদোকপদা নত্তনা পঞ্চায়ট মেম্বর ওইবগী লৌচা লোয়ননা মাগী স্বর্ধম্মীনিগী ফংজবা লৌচা পূম্নমক নিংথৌদা অমুক কৎথোকখ্রে। জননেতা ইরাবতনা মীয়ামগীদমক্তা কৎথোরকপদা মীয়াম পূম্নমক্না থাগৎনরকখি।

**নুপীলাল হৌরকপগী মরম :** জননেতা ইরাবতকী লমজিং মখাদা মণিপুরগী মফম খুদিংমক শিনবা থুংনা বৃটিশ সম্রাজ্যবাদি অমদি নিংথৌ লৈঙাক্কী মায়োক্তা অকনবা ঈহৌ কয়া পাক শন্না চঙশিনখ্রে। মহাসভাগী কর্ম্মি পূম্নমক খাদি শেৎপা হৌরে। বিলাটকী ফিরোল চৈরাপ মমাঙদা পুথোক্তুনা মৈ থাদোকপা, বন্দে মাতরমগী স্লোগান লাউখ্রে। জননেতাগী অকনবা কেম্প্যেন অসিনা মীয়ামদা বৃটিশ লৈঙাক অমদি নিংথৌ লৈঙাক্কী মায়োক্তা থেংননীংবগী ঈথক ঈপোম হৌরক্লে। মসিনা কুমজা ১৯৩৯গী নুপীলাল হৌনবগী মরুওইবা মরম অমসু ওইখ্রে। নিংথৌ লৈঙাকসিনা মপান্দগী লাকপা শেঞ্জাউ পায়বা করবারৰালাশিংগা লৌতুনরগা শেন্দোং হেন্না তান্নবগীদমক মণিপুরগী ফৌ চেঙ মপান্দা থাদোকপা হৌরকখি। কুমজা ১৯৩৯গী নুপীলাল হৌরকখিবসি মতম শাংনা নিংথৌগী শুপ্নম সাসনগী মখাদা পেন্দবা কয়া লৈবদুদগী থোক্লকখিবা লালহৌনি। মতমদুদা নিংথৌ সাসনগী মখাদা মীয়াম্বু নমথদুনা থম্বগী অয়ৌবী থাক য়ৌখি। শেঞ্জা থুমজা হেনগৎলকপা, অকনবনা অচুম্বা শকপা, লাইনীংগী তোঙান তোঙানবা নমা থাংজিন্দুনা মীবু ওৎ নৈবা কয়া অসি খাঙবা ঙমদবগী থাক অমদা লাকখি। বৃটিশ সম্রাজ্যবাদিগী হৌন লোনচৎ, লৈবাক অমগী রিছোর্স পূম্নমক মখোয়গী শেন্দান লম্বেল ওইবা অদুনা মণিপুর মীয়ামগী শেল থুমগী ফীভম (আর্থিক অবস্থা) শোকচিনহনবগী অচৌবা মরম অমা ওইখি। অসুম্না মশাগীদমক য়েংবা বৃটিশ সম্রাজ্যবাদি অমদি নিংথৌ লৈঙাক্কী য়াম্না করাম চাউবা পোলিসি অসিনা নুপীলাল হৌরক্লবগী মরূ হুনখি।

কুমজা ১৯৩৯গী সেপ্তেম্বর থাদা ইথা থাজদনা ঈচাও থোকপদগী লৌদা অমাং অতা থোক্তুনা চাক তাঙবা থোক্কদ্রা হায়না কিবা ফাওবা মতমনি। জননেতা ইরাবতনা কুমজা ১৯৩৯গী সেপ্তেম্বর ৯দা দরবারগী প্রসিদেন্টতা খুদক্তা মণিপুরগী মপান্দা চেঙ থাদোকপা থিংননবা দাবী তকশিনখিবা অদুদগী মতম খরগী চেঙ থাবা লেপ্পবগী হুকুম সেপ্তেম্বর ১৩, ১৯৩৯দা থোকখি। অদুবু নিংথৌ অমদি দরবারগা মান্নরগা চেঙ থাবগী অরিবা পাস শাজিন্দুনা চেঙ থাবগী থবক লেপ্তুনা চথখি। মসিদা ইরাবতনা মরৰারী করবারৰালাশিংগা নিংথৌগা মান্নরগা চৎলিবা শাজৎ অসিনা মণিপুরগী মীওইশিং চরা হেল্লগনি হায়না অকনবা প্রতিবাদ তৌখি। লোয়ননা মরৰারীগী গুদাউনশিং খুদক্তা চ্যেক তৌনবা তকশিনখি। নাকল অমরোমদসু শেঞ্জাও পায়বা চোরা করবারৰালা বাবু কষ্টুরচান্দনা চেঙ থাবা থিংবগী হুকুম কক্লনবা কন্না হোৎনখি অমদি সেপ্তেম্বর ২১, ১৯৩৯দা নিংথৌনা দরবারদা খঙহল্লকখিবগী মতুং ইন্না নবেম্বর ২৪, ১৯৩৯দা মখা তানা চেঙ থাবগী হুকুম অমুক থোকখি।

**নুপীলাল :** কুমজা ১৯৩৯গী দিসেম্বর থা, মতম অদু অঙনফৌ ফংনরকপা মতমনি। অদুবু মোনোপোলিষ্ট করবারৰালাশিংনা মণিপুরদগী চেঙ অমদি ফৌ কা হেন্না থাদোকপগী থবক চথুরম্মী। মতম অদু মণিপুরদা চেঙ তক্লবা মিল লৈবা হৌরে। মিল কয়া অসিনা তকপা ফৌ পূম্নমক চেঙ ওল্লগা মীয়ামদা য়োনবগী মহুত্তা মপান্দা শেন্দোংগীদমক্তা অতৎপা লৈতনা থাদোরক্লে। মীয়াম চানিংঙাই লৈরক্ত্রে, চরা হেনবনা হা হা লাউনরক্লে। অবস্থা অসিদা হৌনবা হায়নবা লৈতনা দিসেম্বর ১১গী অয়ূক্তা খ্বাইরম্বন্দ দুকান মমাঙদা মপান্দা থাদোকখিনবা পরেং লেংদুনা থল্লিবা চেঙ ফৌনা থল্লবা ত্রক গাড়ীশিং ইমা ইবেলশিংনা হৌরক্তুনা থৎখি। তৌইগুম্বসুং চেঙ থাবা লেপ্পগী থবক্তি তোকপা লৈখিদে। নোংঙাল্লকপা দিসেম্বর ১২গী অয়ূক্তা চরা হেল্লবা নুপী মীয়াম্না হৌন হায়নরুবা লৈতনা খ্বাইরম্বন্দ বজারদা তিল্লে। মারৰারীশিংদা তাইনবা পুখৎলকপা ফৌ গাড়ী, চেঙ গাড়ী পূম্নমক ইমা ইবেলশিংনা ফারে। মায়কৈ কয়াদসু ফৌ চেঙ গাড়ী কয়া ইমা ইবেলশিংনা ফাদুনা বজার তান্না পুখৎলক্লে। অফাবা ফৌ চেঙ পূম্নমক ইম্ফাল থানাদা ইমা ইবেলশিংনা পুখৎলে। থানাদা অফাবা ফৌ চেঙগা লোয়ননা ইমা ইবেল লিশীং লিশীংনা কোয়শিল্লে। ইমা ইবেলশিংগী মরুওইবা খোল্লাউদি মিলদা চেঙ তকপা থিংউ, মপান্দা চেঙ থাবা থিংউ হায়বসিনি। তাঞ্জা অসিদা দরবারগী প্রসিদেন্ট মিষ্টর সর্পনা লাক্তুনা নিংথৌনা নবদ্বিপতা লৈখিবনা নিংথৌগী হুকুম য়াওদনা চেঙ থাবা থিংবা ঙমদে, নিংথৌদা টেলিগ্রাম তৌগে হায়ররে।

**নুপীলালসিদা লুচিংলিবীশিং :** নুপীলালসিদা মকোক চিংখিবী নুপীশিংদি শাবী দেবী, তোঙ্গৌ দেবী, চাওবীতোন দেবী, লৈবাক্লে, খোংনাং অসিনচিংবা অসিনি। নুপী লুচিংবীশিংনা প্রসিদেন্ট সর্পাকা টেলিগ্রাফ ওফিসতা নবদ্বিপতা লৈখিবা মহারাজ চুড়াচান্দদা টেলিগ্রাম থাখিনবা লাক্লে। টেলিগ্রাফ ওফিসকী অকোয়বদা নুপী লিশীং লিশীংনা ঘেরাও তৌদুনা কোয়শিনখ্রে। সার্পপু লৌবা লাকপা ৪শুবা অসাম রাইফলসকী কম্মান্দেন্ট মেজর বুলফিল্ড অমদি সিভিল সর্জন মেজর কিউমিবুসু টেলিগ্রাফ ওফিসকী কম্পাউন্দ মনুংদা নুপীশিংনা কোয়শিন্দুনা থমখি। অসুম্না কোয়শিনবনা নুংথিল থেংলফাওবদা কায়নদনা নুপী ময়াম টেলিগ্রামগী মরোল ঙাইনরিঙৈদা খঙহৌদনা অসাম রাইফলসকী সিফাইনা ময়াম তানখায়বা লাকখি। মতাং অসিদা জননেতাগা লোয়ননা থবক তৌমিন্নরকপা শ্রীলাইশ্রম কহ্নাইনা ইমা-ইবেলশিংবু অন্দোলন অদু চৎথনবা এদ্রেস তৌখি। নুপী মীয়াম্না চেঙ থাবা থিংউ হায়বগী খোল্লাউ লেপ্তুনা লাওরি। হান্না লাকখিবা সিফাইশিং অদুতনা ইমা-ইবেলশিংবু তানখায়বা ঙমদবদগী নোংমৈ পায়বা সিফাই থোমজিল্লক্লে। তিল্লিবা মীয়াম্বু খুদক্তা মফমদু থাদোক্লবা হুকুম তৌরে। তৌইগুম্বসুং নুপী ময়ামদু নোংমৈ মমাঙদা ফাওবা অহনবা লৈতনা তকশিনবা তোক্তে। ঙাইহাক লৈরগা সিফাইশিংনা খূৎলায় পায়দবা নুপী মীয়ামদা লান তৌবা হৌরে। লাঠি চার্জ তৌরে, নোংম বটনা কনথরক্লে, সঙ্গিন্না থিন্দুনা মীয়াম তকথোক্লকপা হৌরে। নুপী ২০ লোম শোক্লে, ৬ অমদি শাথিনা শোক্তুনা হোস্পিটালদা পুখৎখি। নুপী মীয়াম্বু অসুম্না বৃটিশকী তমথিরবা অত্যাচারগা লোয়ননা তকথোক্লবা হোৎনরবসু নুপীশিংনা হন্দে। নুমিদাংগী পুং ১১.৩০ ফাওবদি সার্প অমদি অতৈ বৃটিশ ওফিসারশিং টেলিগ্রাফ ওফিসকী কম্পাউন্দগী মপান থোকহনখিদে। মথং নুমিৎকী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা ইমা ইবেলশিংনা পোলিটিকেল এজেন্ট জিমসনগা ৰারী শান্নরিঙৈদা নবদ্বিপতগী নিংথৌনা মপান্দা চেঙ থাদোকপা লেপ্পবা পোলিটিকেল এজেন্টতা খঙহল্লকপা টেলিগ্রাম থুংলরে। অদুবু চেঙ থাদোকপা লেপ্পবগী ওর্দর থোকপা অদুতনদি নুপীশিংবু নেমথহনবা ঙমহন্দ্রে। ইমা ইবেল লিশীং ১০ মুক পূনবা মিটিং অমা পুলিস বজারদা পাঙথোক্তুনা চেঙ তকপা মিলশিং খুদক্তা চেঙ তকপা লেপহন্নবা ৰারেপ লৌখি। লোয়ননা মীতৈশিংনা চলাইবা মীওইশিংদগী হান্না হৌরগা মিল পূম্নমক খুদক্তা থবক লেপহনখি। মপান্দা চেঙ থাবদা শীজিন্নবা গাড়ীশিং পেট্রোল পম্পতা থাউ হানবা থিংখ্রে, মিলশিংদা মৈ পীবা লেপহনখ্রে। তাল্লকসিদা মন্ত্রি পুখ্রিদা মারৰারী অমনা চেঙ তক্লে হায়বা তাবদগী নুপী মীয়াম্না হৌদুনা মিল মফম তান্না চৎতুনা মিল চলাইবা লেপহনখি। লালহৌ অসিদা মণিপুরগী নুপী পূম্নমক লমজাওদা থোরক্লে। অন্দোলন অমা তৌবদা খরনা চেনখিবা খরনা মাঙদা চঙশিনবা হায়বসি পুৰারীদা থোকখিবা ঙাক্তনি। অসিৰাই য়ৌরকপা চিরবা তাঞ্জাসিদা ইরাবতনা কছারদগী মণিপুর থোক্লকত্রিঙৈদা নিখিল মণিপুরী মহাসভাদা য়াওরম্বা মীওই কয়া মহাসভাদগী তোক্লকপা হৌরক্লে। মখোয়গা নুপী খরগসু মান্নরে। অমরোমদা ইরাবতকা থম্মোয় শেংনা তিন্নবা অকিবা লৈতনা চঙবা কর্ম্মী-লাইশ্রম কহ্নাই, লোংজম বিজয়, লাইশ্রম কুল্লবীধু, তখেল্লম্বম ইবোতোম্বী, লাইশ্রম রামসিং অসিনচিংবনা নুপী মীয়ামগা লোয়ননা অন্দোলন চথুরি। অন্দোলন অসি লমজিংবীনবা ইরাবতপু টেলিগ্রাম তৌদুনা কৌথোকখ্রে। ইরাবত দিসেম্বর ১৬তা মণিপুরদা থুংলদুনা চীংমৈরোংদা নুপী মীয়ামগী মীটিং অমদা ৰা ঙাঙদুনা নুপী মীয়াম্না হৌরল্লিবা ঈহৌ অসি মখা তানা চঙশিনমিন্ননবা ফোঙদোকখি।

**কমরেদ ইরাবতনা নুপীলাল লমজিংলকপা :** ইরাবত থোক্লকপদা মণিপুরগী নুপী মীয়াম, মীচম মীয়াম নৌনা ময়োল চোঙবগুম থোকখ্রে। মহাক্না নিখিল মণিপুরী মহাসভাগী ৰার্কিং কম্মিটিগী মিটিং অমা ১৯৪০গী জান্যুৰারী ৭তা কৌরে। মীটিংদা মত চাউনা খেন্নরে। কাঙবু অমদি অন্দোলন মখা তানা চথনীংদ্রে। লৈঙাক্কী চৈফু কিবদগী নিংহন্নরে। মশাগী সুবিধা থিরক্লে। মহাসভাদগী রিজাইন তৌখিবসু য়াওনরে। ইরাবতনা নুপীগী ঈহৌ অসি মপূং ফানা পুখৎনবা মণিপুর প্রজা সম্মেলনি কৌবা লূপ অমা লিংখৎলে। ইরাবতনা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট ওইরে। জননেতা ইরাবতনা নুপীগী লালহৌ অসিগী মরুওইবা খোংথাং কয়া চঙশিল্লকপগা লোয়ননা নুপী মীয়ামগী অপূনবা ঈহৌ শাগৎনবা মণিপুর মহিলা সম্মেলনি কৌবা নুপীশিংতগী ওইবা লূপ অমসু লিংখৎলে। মণিপুর মহিলা সম্মেলনি নুপীগী লালহৌ অসিদগী লিংখৎখিবা লূপ অসি হৌজিক্তি ওল মণিপুর নুপী মরুপ হায়না খঙনরে। শাবী দেবীবু সম্মেলনি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি হাপ্লে।

ইরাবতকী লমজিং মখাদা নুপী মীয়াম্না হনবা লৈতনা থেংনবদগী মণিপুরদা লৈবা মিল ১৮ চলাইবা থিংখ্রে, চেঙ ফৌ থারম্বা থিংলে, মীচম মীয়াম্না জয় ওইরে। অদুবু মণিপুর লৈঙাক্কদি তুমিন্না লৈথোক্ত্রি। দরবারগী হুকুম্না ইম্ফাল সহরগী অকোয়বদা মী মঙা শুনা তিনবা য়াদবগী হুকুম আই পি সী ধারা ১৪৪ চলাইখ্রে। তৌইগুম্বসুং আইন অসি চলাইদুনসু নুপী মীয়াম তিনবা পূনবা তোকত্রে। পুলিসলেন্দ ময়াদা নুপী মীয়ামগী অচৌবা মীটিং পাঙথোকখি। মীটিং অদু লোইরগা মীয়াম হৌনদুনা খ্বাইরম্বন্দ বজারদা লাক্লগা বাবু কষ্টুরচান্দবু মখোয়দা শিন্নবা পোলিটিকেল এজেন্টতা তকশিনখি। মসিগী মরুওইবা মরমদি বাবু কষ্টুরচান্দনা মণিপুরদা লৈবা ফৌ মখৈ ৰানশিল্লগা মণিপুরী মখৈবু ৰাই পীজগনি হায়খি হায়বদগীনি। পোলিটিকেল এজেন্টনা কষ্টুরচান্দবু পুথোরকউ য়াদবদগী নুপী মীয়ামগা নিংঙাই শংদানখি। মসিদা কষ্টুরচান্দনা লাল্লে হায়জবা অইবা চে অমা পীথোরক্তুনা নুপী মীয়ামগী অশাওবা নেমথখি। মথংগী নুমিৎতা মীয়াম তিনবা মীটিং পাঙথোক্তুনা পুলিস রিজার্ভ এরিয়াদা চঙদুনা ধারা ১৪৪ থুগাইখি। মসি থিংনবা হোৎনবদা অসাম রাইফলস অমদি ষ্টেট পুলিসকী মীওইশিংগা খোইশাওনরবা মীচম মীয়ামগা ইন্নবদা মিলিটরি পুলিস ৪, সিভিল পুলিস ১১ শাথিনা শোকখি, পুলিস ৯ অমসু অশোক অপন নংখি। মীয়াম্না বন্দে মাটরম লাউখি। বৃটিশ অমদি নিংথৌ লৈঙাক মুখৎনবা খোল্লাউ লাউখি। মায়কৈ কয়াদগী নুপী মীয়াম্না অকনবা খোল্লাউগা লোয়ননা পুলিস রিজার্ভ এরিয়া তম্না ফুজিল্লকখি। মখোয়না টেলিগ্রাফ ওফিস মমাঙদা নুপী কয়াবু সঙ্গিন্না থিন্দুনা ঈ তাহনখিবা অমদি ইমা ইবেল কয়াবু খোংপাক্না নেৎখিবা অদুগী মায়োক্তা অকনবা খোল্লাউ লাউখি। নুমিদাং অথেংবা ফাওবা পুলিসশিংগা মীচম মীয়ামগা ইন্না কাওনবা তোকত্রে। নোংমৈ, সঙ্গিন পায়বা পুলিস অমদি মিলিটরিগা মীয়ামগা অপাই অপাইবা নূং, থাঙ অমদি ৰাকোক্লচিংবা থোমগাইনরে। নিংথৌ অমদি বৃটিশ হেন্না চেকশিনখ্রে। অহেনবা ফোর্স কৌথোক্তুনা কোনুং অমদি বৃটিশ রিজার্ভ এরিয়া ঙাকহনখ্রে।

**আইন অমন্য অন্দোলন :** অন্দোলন অসি ইম্ফাল সহরগী পাক চাউবা খুঙ্গং কয়াদা শন্দোকখ্রে। প্রজা সম্মেলনি, কৃষক সভা পূন্না থবক পায়মিন্নরক্লে। অমুক্না নুপী মীয়াম্না হৌরকপা অসিদদি ইরাবতনা আইন অমন্য অন্দোলন হৌরে। মফম কয়াদা পব্লিক মিটিং তৌরে। মীচম মীয়াম্না লৈঙাক তাক্তনা তেরা হেকতোক্লে, উ য়ান্দুনা যূম শাবা হৌরে। চীংদগী মাশুল পীদনা শিঙ য়ানবা হৌরে। ঈ ফাল্লে মাশুল পীদ্রে। পাৎ তুরেল মীচম মীয়াম হৌদুনা পাৎশেল পীদনা নৈখায়দুনা ঙা ফারগা চাথোক্লে। খেৰা লাল্লগা শেল পীদ্রে, খেৰা শং থুদেক্লে। থরো, লেম্ফু থমচেৎ হেক্লে, পাৎশেল পীবিদ্রে, শিঙ য়াল্লে। হয়িংখোই লোক্লগা নিংথৌদা কৎত্রে মীয়াম্না চাথোক্লে। পীয়ন, অমিনগী চাকথাক তৌবিদ্রে। তশেংবদি লৌমী মীয়াম্না আইন অমন্য অন্দোলন অসিদা চংশিনখিবা ঙম্বদি ১৯৩৬তা নম্বোলদা অহানবা মণিপুর কৃষক সম্মেলনি লিংখৎখিবা অদুদগীনি। অন্দোলন অসিদা কৃষক সম্মেলনীগী সেক্রেটরি ওক্রম ইবোমচা, কবিরাজ মাইমোম মধুমঙ্গল, মোংজম সুবোলনচিংবা কর্ম্মী কয়ানা থৰায় য়াওনা অরেপ্পা লৈতনা নম্বোলনচিংবা মফমদা নিংথৌগী অওৎ অনৈ কয়াগী মায়োক্তা চঙশিনখি।

মতম কুইনা চৎনবী ওইনা লৈরম্লবা আইন কয়া পোৎথাং বেগার, পীয়ন চাকথাক, দোলাইরেং, লাইনীংগী শেন্তেক খাইবনচিংবা কোকখ্রে। ইরাবতনা খুঙ্গং কোয়রগা পব্লিক মিটিং কয়াদা ৰা ঙাঙদুনা অন্দোলন অসি লমজিংলি। কুমজা ১৯৪০ জান্যুৰারী ৭তা পুলিসলেন্দ লম্পাক্তা প্রজা সম্মেলনীনা শিল লাংদুনা তৌবা পব্লিক মিটিং অমদা ইরাবতনা পীখিবা অশেংবা ভাষন ষ্টেট দরবারনা ইরাবতপু বিচার তৌবদা মরাল পীবগী রাইদা য়াওনা ইংরাজী লোন্দগী হন্দোকপা ইরাবতনা অসুম্না ঙাঙখি, “মণিপুরগী ইমা ইবেলশিংনা চেঙ খুজোক অমত্তং পীয়ু চারা হেল্লে হায়জরুবদা সঙ্গিন্না থিনবীরে। ঈ খুজোক ওইনা পীবিরে। চাক্কীদমক মীতৈ নুপীশিং ঈ তারে, টেলিগ্রাফ ওফিসকী থৌদোক নীংশিংবীয়ু, রুসিয়াদা অমুক জপান্দা মীচম মীয়াম্না হৌদুনা চঙশিনখ্রে। মখোয়গী থৌনা ঐখোয়দসু করিগী লৈরোই। জেলদা চঙবদা ঐখোয়না কিরোইদবনি”। অসুম্না কুমজা ১৯১৭কী রুসিয়াগী রিপব্লিক্কী মরমদা ঙাঙবা হৌখ্রবনি।

ইরাবতনা মতৌ অসুম্না অন্দোলন লেপ্তুনা চঙশিল্লকপা অসিদা মণিপুর লৈঙাক্না ইরাবতপু ফারগা ষ্টেট দরবারদা বিচার তৌখি। কুমজা ১৯৪০গী মার্চ ২১দা ইরাবতকী মথক্তা বিচার তৌরগা ভারত দণ্ড বিধি আইন ১২১ (ক) গী মতুং ইন্না চহী অহুমগী জেল পীখ্রে। ইরাবত্তা নত্তনা শাবী দেবী, তোঙ্গৌ দেবী, লৈপাকলৈনচিংবা নুপীলালগী লুচিংবী কয়া থা ৬/৭কীদমক জেল পীখ্রে। থৌনা ফবী নুপীশিং অদুগী মনুংদা শাবী দেবী অথোইবীনি। মতৌ অসুম্না মণিপুরগী পোলিটিকেলগী তাঙ্কক্তা অচৌবা অওনবা অমগী থৌদাং পূম্নমক ইরাবতপু জেলদা মতম শাংনা থমজিল্লগা, ইরাং নমথনবা হোৎনখি। পেন্দ্রবা ইমা-ইবেলশিংনা প্রতিবাদ ওইনা চহী অমা পুরা খ্বাইরম্বন্দ বজার কাদনা মুখৎতুনা থমখি।

মরোল থোকপা লাই

